

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*কানাদাগী সিটি মারখামদা ঙসিদগী হৌগদৌরিবা বিদব্লিয়ুএফ ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংগদৌরিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড নম্বর ৪ লক্ষ্য সেন*

*এলপিজিএ জপান ক্লাসিক গোল্ফ টুর্নামেন্টতা চহী ৭কী মতুংদা অহানবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী য়ুম্বু লৈবাক জপানগী শান্নরোই নাসা হাটাওকা*

## চেন্নাই সিটি এফসিনা গোকুলাম কেরলাবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইদুনা আই–লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইখ্রে

*কোজিকোদ, নবেম্বর ০৪ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আই–লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা চেন্নাই সিটি এফসিনা গোকুলাম কেরলাবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।



*চেন্নাই সিটি এফসি অমসুং গোকুলাম কেরলানা শান্নখিবা আই লীগকী মেটচ অমা*

কেরলাগী সিটি কোজিকোদতা লৈবা ইএমএস ষ্টেদিয়মদা কেরলাগী ক্লব গোকুলাম কেরলা অমদি তামিল নাদুগী ক্লব চেন্নাই সিটি এফসিনা শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌরকপদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা গোকুলাম কেরলানা এটেক তৌবগী চাং হেনখি।

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা এন্টোনিও জর্মননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মতম খরা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটি এফসিগী শান্নরোই প্রাভিট্টো রাজুনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩১শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা পেদ্রো মাঞ্জিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা চেন্নাই সিটি এফসিনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা গোকুলাম কেরলাবু পাঞ্জল ২–১ দা হেন্দুনা চংখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল শোখদুনা লৈরিবা গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখি। গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা আমিরুদ্দিন মোহাইদিননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা হেন্দুনা লৈবা ঙমখি।

শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ভিপি সুহেরনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ২–৩ দা শোখদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু চেন্নাই সিটি এফসিনা গোকুলাম কেরলাবু ৩–২ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৭ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ান এরোজ অমদি লাজোং এসসি লম্বা তৌনগনি।

## সারলোরলক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সুভাঙ্কর দে অমদি ইংলেন্দগী রজিভ ওসেফ শান্নরগনি

*সারব্রুকেন (জর্মনি), নবেম্বর ০৪ঃ*

জর্মনিগী সিটি সারব্রুকেনদা মমাঙ থাগী ৩০ দগী চথরকপা য়ুএস দোল্লর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সারলোরলেক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সুভাঙ্কর দে অমদি ইংলেন্দগী রজিভ ওসেফ শান্নরগনি।



*সারলোরলেক্স ওপন নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সুভাঙ্কর*

সারলোরলেক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা সুভাঙ্কর দেনা চাইনাগী রেন পেনবোবু গেম ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেম ইন্দিয়াগী সুভাঙ্কর দেনা চাইনাগী রেন পেনবোবু ২১–১৮ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা চাইনাগী রেনগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী সুভাঙ্করবু ২১–১১ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা গেমদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না কন্না শান্নরকপদগী পোইন্ট ২২ /২২ ফাওবা য়ৌনরকখি। মখা তানা শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী সুভাঙ্কর দেনা চাইনাগী রেন পেনবোদগী পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখিবদগী গেম অদু ২৪–২২ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ইংলেন্দগী রজিভ ওসেফনা ফ্রান্সকী টোমা জুনিয়র পোপোভপু গেম ২–১ দা থোইরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

অহানবা গেম ইংলেন্দগী রজিভনা ফ্রান্সকী টোমাবু য়াম্না লায়না পোইন্ট ২১–৮ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমনা ফ্রান্সকী টোমানা ২১–১৯ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা গেমদা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ইংলেন্দগী রজিভ ওসেফনা য়াম্না নক্নবা স্কোরদা ২১–১৯ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোই অনী ৩শুবা সিদেদ কাই য়ানয়ান অমদি ৪শুবা সিদেদ চেন জিয়াওজিন শান্নরগনি।

৩শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী কাই য়ানয়াননা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই নম্বর ৱান সিদেদ গাও ফাংজৈবু ২১–১৪, ১৬–২১, ২১–১৫ দা থোইরম্বনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন জিয়াওজিননা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী লিনে জেরসফেল্ডপু ১২–২১, ২১–১৬, ২১–১৭ দা থোইরমখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ মালেসিয়াগী পেয়র আরোন চিয়া অমদি সো ৱুই য়িক শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র গাব্রিয়েলা ষ্টোইভা অমদি ষ্টেফানি ষ্টোইভানা অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মহাদেৱি ইসটিরানি অমদি অমেলিয়া প্রাদিপটাগা শান্নরগনি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র ইংলেন্দগী মার্কস ইলিস অমদি লোরেন স্মিথনা ৫শুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী লু কাই অমদি চেন লুগা শান্নরগনি।

## দিনেস কার্থিক অমদি ক্রুনাল পান্দিয়াগী মতেংনা অহানবা টি–২০ মেটচ ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে

*কোলকতা, নবেম্বর ০৪ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অহানবা টি–২০ মেটচতা বেটসমেন দিনেস কার্থিক অমদি ক্রুনাল পান্দিয়াগী মতেংনা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।



ঙসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং কোলকতাদা লৈবা ইদেন গার্দেনদা শান্নখিবা অহানবা টি–২০ মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজনা বেট্টিং তৌরকপদা অপুনবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১০৮ লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফিভম শোকখি। অপুনবা রন ৫০ য়ৌদ্রিঙৈদা মখোয়গী বেটসমেন ৫ আওট ওইখি।

ওপনর অনী সাই হোপ অমসুং দিনেস রামদিন মথংশিৎনা রন ১৪ অমসুং ২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা সিমরোন হেটমিয়রসু রন ১০ খক লৌরমখি।৪শুবা বেটসমেন কৈরোন পোলার্দসু ৱেষ্ট ইন্দিজগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ১৪ হাপচিল্লমখি।

৮শুবা বেটসমেন ফাবিয়ান এল্লেননা বোল ২০ মায়োক্নবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৭ লৌরম্বা অদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। মখা তানা চঙলকখিবা কিমো পাওল অমদি খেরি পিয়েরিনা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ১৫ অমসুং ৯ লৌরম্বা অদুনা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১০৮ লৌবা ঙমখিবনি।

মায় পাক্নবগী রন ১০৯ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ইন্দিয়ানা ১৮শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা রন ১১০ লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৫ দা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। অপুনবা রন ৫০ শুদ্রিঙৈদা টিম অসিগী বেটসমেন ৪ আওট ওইখি। ৩শুবা বেটসমেন লোকেস রাহুল শুপ্নগী রন ১৬ খক লৌরমখি।

৫শুবা বেটসমেন মনিস পান্দেসু ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ১৯ হাপচিনবা ঙমখি। ৬শুবা বেটসমেন দিনেস কার্থিক অমসুং ৭শুবা বেটসমেন ক্রুনাল পান্দিয়ানা আওট ওইদনা রন ৩১ অমসুং ২১ লৌরম্বা অদুনা অহানবা টি–২০ মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখিবনি।

## ১৭শুবা কেএসঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ২০১৮ কেপিএসসি ককচিংনা ৱাইপিও সোরাবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দিএসএ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী শান্নবুং দা চথরিবা ১৭শুবা কেএসঐচ লৈহাও ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ কেপিএসসি ককচিং অমদি ৱাইপিও সোরা টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা কেপিএসসি ককচিংনা ৱাইপিও সোরাবু গোল ৭–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা কেপিএসসি ককচিংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৯ ইনাওতোননা মেটচকী ২ অমদি ৪৬ শুবা মিনটতা গোল ২, জর্সি নম্বর ৫ দৱাদনা মেটচকী ১৪শুবা মিনটতা গোল ১, জর্সি নম্বর ৯ ঙমনৈরিনা মেটচকী ৪০ প্লস ২দা গোল ২, জর্সি নম্বর ৩ অজয়না মেটচকী ৫১ শুবা মিনটতা গোল ১, জর্সি নম্বর ১৫ অবিনাসনা মেটচকী ৫৭ শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ১১ তাইসননা মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা গোল ১ চন্দুনা মেটচ অদু চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

## মেডল ফংলকপা শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ঃ

মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা য়ুম্বু ওইদুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২৪–২৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ফার্ষ্ট নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমসতা পাওনিয়র ৱেঠ লিফটিং একাদেমী, ৱাংগোই খাইদেম লৈকায়দগী শান্নরোই অনী খাইদেম সরজুবালানা গোল্ড অমদি খাইদেম নরেন্দ্র সিংহনা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙলকপদা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি খাইদেম লৈকায় য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লবনা শীন্দুনা লৈকায় অসিগী কম্মুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।



ওকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাঙ্গোই মুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়রপর্সন লোংজম ববিতানা ফোঙদোকখিবদা একাদেমী অসিগী শান্নরোই অনীনা গোল্ড অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ফঙলকপদা পুক্নিং থৌগৎলদুনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা য়াওবা ঙম্নবা অমদি হৌগৎলক্নিবা শান্নরোইশিংনা ওঝাশিংগী পাউতাক লৌদুনা অফবা শান্নরোই অমমম ওইদুনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরকপা ওইরসু হায়না মখা তাখি।

## লা লীগাদা লুই স্বারেজগী অথেংবদা চনখিবা পাঞ্জলনা বার্সেলোনানা রায়ো ভালেকানোবু ৩–২ দা থোইখ্রে

*মাদ্রিদ, নবেম্বর ০৪ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা লুই স্বারেজগী অথেংবদা চনখিবা পাঞ্জলনা বার্সেলোনানা রায়ো ভাল্লেকানোবু ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।



*মায় পাকপগী পাঞ্জল চনখিবা বার্সেলোনাগী লুই স্বারেজ*

শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা বার্সেলোনা টিমদা শরুক য়ারিবা উরুগ্বে মচা লুই স্বারেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ৩৫শুবা মিনটতা রায়ো ভাল্লেকানোগী শান্নরোই জোস পোজোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ১–১ দা মান্নখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা রায়ো ভাল্লেকানোগী শান্নরোই অলভারো গার্সিয়ানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–১ দা হেন্দুনা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিং দা প্রেসর পীবা হৌখি।

শান্নবগী ৮৭শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ওসমানে দেম্বেলেনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নখি।

শান্নবগী ইনজুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা লুই স্বারেজনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না রায়ো ভাল্লেকানোবু ৩–২ দা থোইবা ঙমখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা জিরোনানা ভেলেন্সিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখি। জিরোনাগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা চনখি।

ইংলেন্দদা পাঙথোক্লিবা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ৱোলভরহাম্পটন ৱান্দরর্সপু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইরমখি।

টোটেনহাম হোটস্পরগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা ইরিক লামেলানা অহানবা, ৩০শুবা মিনটতা লুকাস মৌরানা অনীশুবা অদুগা শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা হেরি কেননা অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি।

ৱোলভরহাম্পটন ৱান্দরর্সকী পাঞ্জল অনী অদু পেনাল্টিদা চনখিবনি। ৬৮শুবা মিনটতা রুবেন নেভিসনা অহানবা অদুগা ৭৯শুবা মিনটতা রাউল জিমেনেজনা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা আর্সনেল অমদি লিভরপুল পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি।

## সাইমোন বাইলসনা ইভেন্ট খুদিংমক্তা মেডল ফংবগী রেকোর্দ থমখ্রে

*দোহা, নবেম্বর ০৪ঃ*

কাটারগী কোনুং দোহাদা চথরকখিবা ৱার্ল্ড জিমনাষ্টিক্স চেম্পিয়ন্সিপতা য়ুএসএগী নুপী জিমনাষ্ট সাইমোন বাইলসনা ইভেন্ট খুদিংমক্তা মেডল ফংবা ঙমদুনা য়ুএসকী অহানবা নুপী জিমনাষ্ট ওইবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২১ শুরবী য়ুএসকী নুপী জিমনাষ্ট সাইমোন বাইলসনা দোহাগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপীগী ফ্লোর এক্সরসাইজদা বাইলসনা গোল্ড মেডল অমা লৌখি। মহাক্না টিম ফাইনেলদা গোল্ড, ইন্দিভিজুয়েল ওল রাউন্দ অমদি ভোল্ট ইভেন্টতা সিলভর অমমম লৌবা ঙমখি। অদুগা অনইভন বার অমদি বেলেন্স বিমদসু ব্রোঞ্জ অমমম ফংখি।

৪রক ওলিম্পিক গোল্ড মেডালিষ্ট ওইবা ঙমখ্রবী য়ুএসকী নুপী জিমনাষ্ট সাইমোন বাইলসনা দোহাগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মহাক্কী কেরিয়রগী ১৩রকশুবা গোল্ড মেডল লৌদুনা অনৌবা রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ইভেন্ট খুদিংমক্তা মেডল লৌবগী রেকোর্দ অসি কুমজা ১৯৮৭ দা সোভিয়েট য়ুনিয়নগী য়েলেনা সুসুনোভানা অহানবা ওইনা থম্লম্বনি।

## দব্লিটিএ ইলাইট ট্রোফিগী সিঙ্গলস টাইটল ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা লৌখ্রে দবলসকী টাইটলনা য়ুক্রেনগী লিয়ুদমিলা কিচেনোক অমদি নাদিয়া কিচেনোকনা ফংখ্রে

*ঝুহাই, নবেম্বর ০৪ঃ*

চাইনাগী সিটি ঝুহাইদা চথরকপা য়ুএস দোল্লর দব্লিয়ুটিএ ইলাইট ট্রোফিগী সিঙ্গলস টাইটল ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা লৌখ্রে, দবলসকী টাইটলনা য়ুক্রেনগী পেয়র লিয়ুদমিলা কিচেনোক অমদি নাদিয়া কিচেনোকনা ফংখ্রে।



দব্লিয়ুটিএ ইলাইট ট্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৯শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ১১শুবা সিদেদ চাইনাগী ৱাং কিয়াংবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪–৬, ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী ৱাং কিয়াংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু ষ্ট্রেট সেটতা য়াম্না লায়না ৬–২, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা চাইনাগী ৱাং কিয়াংগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী পোইন্ট মান্নমান্ননা চৎলমখি। অদুবু সেট অদুসু ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা চাইনাগী ৱাংগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

দব্লিয়ুটিএ ইলাইট ট্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা দবলসকী ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র য়ুক্রেনগী লিয়ুদমিলা কিচেনোক অমদি নাদিয়া কিচেনোকনা ৪শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী সুকো ওয়োমা অমদি বেলারসকী লিদজিয়া মারোজাভাবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট য়ুক্রেনগী পেয়রনা জপান অমসুং বেলারসকী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা জপানগী সুকো অমসুং বেলারসকী মারোজাভানা ফজনা শান্নরকখিবদগী য়ুক্রেনগী পেয়র লিয়ুদমিলা কিচেনোক অমদি নাদিয়া কিচেনোকগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং সেটতা পেয়র অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শান্নরক্লবা মতুং সুপর টাই ব্রেক্তা য়ুক্রেনগী পেয়র লিয়ুদমিলা কিচেনোক অমদি নাদিয়া কিচেনোকননা জপানগী সুকো ওয়োমা অমসুং বেলারসকী লিদজিয়া মারোজাভাবু ১০–৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।